# বেঙ্গালুরুনা শিল্লোং লাজোংবু মায়থীবা পীখ্রে, মুম্বাই-আইজোলনা দ্রো ওইখ্রে



শিল্লোং, মার্চ ০৪ ঃ

হৌজিক চথরিবা আই-লীগকী যুমশকৈশা নুমীৎতা শান্নখিবা মেচশিংদা বেঙ্গালুরু এফ সিনা শিল্লোং লাজোংবু ২-০ দা মায়থীবা পীদুনা লীগ অসিগী অনীশুবা মফমদা লৈখ্রে অদুগা অতোপ্পা মেচ অমদা মুম্বাই এফ সি অমদি আইজোল এফ সিনা গোল ২-২ দা দ্রো চৎখ্রে।

মফম অসিগী জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেচতা বেঙ্গালুরুগী উদান্তা সিংহনা মেচকী মিনিট ৩৬ অমদি সিওং য়োং কিমনা মেচকী মিনিট ৮২ চৎপা মতমদা গোল অমমম চনবা ঙমদুনা মখোয় টিমবু মায় পাকহনখি।

মেচ মায় পায়খিবদগী বেঙ্গালুরু এফ সিনা অপূনবা পোইন্ট ২১ ফংদুনা লীগকী অনীশুবা মফমদা লৈখ্রে। মোহন বগাননা পোইন্ট ২২ ফংদুনা খ্বাইগী মকোক্তা লৈরি। শিল্লোং লাজোংনা অপূনবা মেচ ১০ শান্নখিবদা পোইন্ট ১১ খক্তমক ফংদুনা তরুকশুবা মফম কল্লি।

মেচ অদু হেক হৌখিবদগী বেঙ্গালুরু এফ সিনা শিল্লোং লাজোংবু দোমিনেট তৌনা শান্নখি। মখোয়না হঞ্জিন হঞ্জিন শিল্লোংগী মায়কৈদা চঙশিনখিবা শাফুদা ফ্রী কিক অমা ফংখি। ফ্রী কিক অদুদা কিমনা খায়দোরকখিবা বোল অদু উদান্তনা নীংথিনা ওক্তুনা শাফু কন্না কাওশিনখিবদা শিল্লোংগী গোলকিপর ভিসাল কেথনা ঙাকথোকখিবদগী থক্তোরকপা বোল অদু অমুক হন্না উদান্তনা মেচকী মিনিট ৩৬ চৎপা মতমদা কাউশিনখিদুনা গোল চনাখ। মেচকী ফার্ষ্ট হাফ ফাওবদা শিল্লোংনা গোল অমত্তা চনবা ঙমদনা বেঙ্গালুরুগী মখুৎতা ০-১ দা শোৎথনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা টিম অনীমক্না অমনা অমগী মফমদা অকনবা লম্বা তৌদুনা গোল চন্ননবা তকখৎনরকখি। টিম অনীগী অকনবা লম্বা অদুদা মেচ লোইগদবা মিনিট ১০ খক্তা ঙাইরক্লবা মতমদা বেঙ্গালুরুগী কোর্নর কিক অমা ফংদুনা কাওরকখিবা বোল অদু কিমনা চোংখৎলগা শিল্লোংগী পোষ্ট মনুংদা হেদিং তৌশিনখিদুনা গোল অমগা চনশিন্দুনা শিল্লোং লাজোংবু ২-০ দা মায়থিবা পীখি।

অমরোমদা, মুম্বাই এফ সিনা যুম্বু ওইদুনা মুম্বাইদা শান্নখিবা মেচতা মুম্বাই এফ সি অমদি আইজোল এফ সিনা গোল ২-২ দা দ্রো চৎখি।

মেচ অদুদা মুম্বাইনা মিনিট ৩ চৎপা মতমদা মখোয়গী প্লেয়র রুকি কোজাৰানা গোল অমা চনশিন্দুনা যুম্মুনা য়াম্না ঙন্না ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি। অদুবু আইজোল এফ সিনা মুম্বাইগী মায়কৈদা তৌখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ১৮ চৎপা মতমাদ অলবার্ট জোমিংমাৰিয়ানা গোল অমা চনশিন্দুনা ইক্বেলাইজ তৌদুনা ১-১ দা চাং মান্ননা লৈখি। ফার্ষ্ট হাফ ফাওবদা টিম অমত্তনা অহেনবা গোল চনবা ঙমদনা লৈখি।

সেকেন্দ হাফতা মুম্বাইনা অহেনবা গোল চন্দুনা মায় পাক্তবা য়াদে হায়দুনা আইজোলগী মায়কৈদা চঙশিনখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৫৭ চৎপা মতমদা এরিক ব্রাউননা গোল অমা চনশিন্দুনা ২-১ দা অমুক মাঙজিল থানা চৎখি। গোল চনখিবগী নুংঙাইরবা মিকুপ অদু কুইনা চৎহনখিদনা মুম্বাইগী সবষ্টিট্যুট ওইনা চঙলকখিব নাবিনা মেচতুগী মিনিট ৬২ চৎপা মতমদা শোয়বদগী মশাগী টিমদা গোল চনশিন দুনা আইজোলদা গোল অমা পীথোক্তুনা ২-২ দা চাং মান্ননা লৈখি। মখা তানা টিম অমত্তনা গোল চন্নবা ঙম্নদবদগী দ্রো চৎখি।

মেচ অদু দ্রো চৎখিবনা মুম্বাইনা অপূনবা মেচ ১০ ফংখিবদা পোইন্ট ১১ ফংদুনা লীগকী মঙাশুবা মফমদা লৈখ্রে। আইজোল এফ সিনা পোইন্ট ৯ ফংদুনা তরেৎশুবা মফমদা লৈখি।

# ৱার্ল্ড টি ২০ : ইন্দিয়া-পাকিস্তানগী মেচ ধর্ম্মশালাদা অদুমক পাঙথোক্কনি : অনুরাগ



ন্যু দিল্লি, মার্চ ০৪ ঃ

ইন্দিয়ানা যুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা আই সি সি ৱার্ল্ড টুয়েন্টি ২০ গী মার্চ ১৯ দা ধর্ম্মশালাদা শান্নগদৌরিবা ইন্দিয়া অমদি পাকিস্তান অনীগী মেচতা হিমাচল গভর্ণমেন্টনা সিক্যুরিটি পীবা ঙম্লোই হায়রবসু মেচ অসি হান্না লেপখিবা মতম অমদি মফমদা অদুমক পাঙথোক্কনি হায়না বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই) গী সেক্রেটরি অনুরাগ থাকুরনা ঙরাং ফোঙদোকখ্রে।

মফম অসিদা পাঙথোকখিব পাউগী মীফম অমদা বি সি সি আইগী সেক্রেটরি অনুরাগ থাকুরনা হায়খি, বি সি সি আইনা হিরম অসিগী মতাংদা লৌখিবা ৱারেপতা ইন্দিয়া অমদি পাকিস্তানগী মেচ অসি ধর্ম্মশালাদা অদুমক পাঙথোক্লবা লেপ্লে।

হিমাচল প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর ভিরভদ্রা সিংহনা বি সিসি আইগী সেক্রেটরিদা মার্চ ১৯ গী ইন্দিয়া-পাকিস্তান মেচ পাঙথোকপা য়ারোই হায়না ঈরাং হৌরিবা কন্ঠ্রাগী অথৌবশিংগী ইমুং মনুং অমদি এক্স-সার্ভিসমেনশিংগা ৱারী শান্নদুনা লোইশিন্নবা খঙহনখি। মফম অসিদা পাকিস্তান টিমবু চঙজফম পীবা হায়বসি পথানকোট এয়রবেজ এটেক্তা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবশিংদা ঈকাইবা পীবা ওইনা থোক্কনি হায়বা ৱাফম থল্লিবনি।

থাকুরনা হায়, ঐনা হিমাচল প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর উন্নদুনা ৱারী শান্নরে অমদি ৱারী শান্নবা অদু খুন্মাং চাউশিল্লি। বি সি সি আই অমদি গভর্ণমেন্ট অনীমক্না ৱাথোক অসি অফবা মায়কৈদা পুরকপা পাল্লি। ঐখোয়না ৱার ভেটরান অমদি অথৌবশিংবু চপ মান্ননা ঈকাই খুম্নে হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, ধর্ম্মশালাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়া অমদি পাকিস্তান অনীগী মেচকী মতাংদা হিমাচল প্রদেশকী গভর্ণমেন্টনা মেচকী মায়োক্তা লৈরিবা মীয়ামগা ৱারী শান্নগনি হায়না ফোঙদোকখি।

চৈরক অসিদা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমীৎতা হিমাচল প্রদেশ কোংগ্রেসনা বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই) দা মার্চ ১৯ গী ইন্দিয়া-পাকিস্তান মেচ অসি তোক্লবা নৎত্রগা অতোপ্পা মফমদা হোংদোকখিনবা হায়খ্রবনি। পার্টি অসিনা ৱার হেরো কেপ্টেন ভিক্রম বত্রা অমদি কেপ্টেন সৌরভ কালিয়া য়াওনা য়াল্লবা লান্মীশিংগী ময়ুম ওইরিবা কন্ঠ্রাদা পাকিস্তান টিমবু চঙজফম পীবা হায়বসি থৱায় কৎখ্রবা অথৌবশিং অদুগী ইমুং মনুংগী থম্মোয় শোক্কনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

বি সি সি আইগী সেক্রেটরিনা হায়, বোর্দ অসিনা পথানকোট এয়রবেজ এটেক য়াওনা টেরর এটেক খুদিংমক কন্দেম তৌই অমদি স্পোর্টসতি পোলিটিক্সকা য়ানশিন্নরোইদবনি হায়খি।

বি সি সি আইনা পথানকোটতা চথখিবা এটেক অদু কন্দেম তৌই অদুবু ঐখোয়না স্পোর্টসপু পোলিটিক্সকা পুনশিন্নবা তৌদে। পাকিস্তান-ইন্দিয়া অনীগী মেচকী মতাংদা শেংদোক্লদুনা থাকুরনা হায়, ইন্দো-পাক অনীগী মেচ অসি ধর্ম্মশালাদগী অতোপ্পা মফম অমদা হোংদোক্লবা থৌরাং তৌবা লৈতে। ইন্দিয়া-পাকিস্তান অনীগী ৱার্ল্ড টি ২০ মেচকীদমক ভেন্যু অমা ষ্টেন দবাই ওইনা থম্বসু লৈতে হায়না থাকুরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# এসিয়া কপকী ফাইনেলদা ইন্দিয়া অমসুং য়ুম্বু বংলাদেশকা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি



মিরপুর, মার্চ ০৪ ঃ বংলাদেশনা য়ুম্বু ওইদুনা চথরিবা এসিয়া কপ ২০১৬ কী শগোলশেন নুমীৎতা শান্নখিবা মেচতা ইন্দিয়ানা যুনাইটেদ অরাব ইমিরেটস (য়ু এ ঈ) পু ৱিকেট ৯ দা মায়থীবা পীদুনা কপ অসিদা মায় পাক্না চঙশিল্লি।

ইন্দিয়ানা মেচ অসি মায় পাকখিবনা টুর্নামেন্ট অসিগী খ্বাইগী মকোক্তা লৈখ্রে। ইন্দিয়ানা লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমীৎ মার্চ ৬ তা য়ুম্বু বংলাদেশকা ফাইনেলদা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

মেচ অদুদা টোস ঙমখিবা য়ু এ ঈনা বেট্টিং তৌনবা খন্দুনা শান্নখিবদা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৯ তুরগা অপূনবা রন ৮১ খক্তমক লৌরগা ইন্দিয়াগীদমক রন ৮২ গী টার্গেট পীরমখি।

ইন্দিয়ানা অনীশুবা ইন্নিংসতা টার্গেট রন য়ৌনবা তান্নরকখিবদা রোহিৎ শর্ম্মানা বোল ২৮ দা রন ৩৯ (ফোর ৭, সিক্স ১) লৌরম্লগা আউট ওইখি। যুভরাজনা বোল ১৪ দা রন ২৫ (ফোর ৪, সিক্স অমা) লৌদুনা ইন্দিয়ানা মায় পাকপদা চাউনা মতেং পাংখি। দৱন্না বোল ২০ দা রন ১৬ লৌখি। ইন্দিয়ানা মখোয়গী টার্গেট রন অদু শুপ্নগী ওভর ১০.১ দা লৌবা ঙমদুনা য়ু এ ঈবু ৱিকেট ৯ দা আউট ওইখি।

মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী বোলরশিংনা অনেম্বা থাক্তা লৈরিবা য়ু এ ঈবু নমথদুনা শান্নখি। ভুবনেশ্বরনা ৱিকেট ২, জসপ্রিট বুমরাহ, হর্দিক পন্দিয়া, হরভজন সিংহ, পৱান নেগি অমদি যুভরাজ সিংহনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসকী রোহন মুষ্টাফানা রন ১১ লৌখি। য়ু এ ঈগী স্কিপর অমজাদ জাবেদপু নেগিগী বোলদা আউট ওইখি। অদুগা মখোয়গী বেটসমেন অৱারনা বোল ৪৮ দা রন ৪৩ (ফোর অহুম, সিক্স অমা) লৌদুনা মখোয় টিমগী খ্বাইদগী রন য়াম্না লৌবা বেটসমেন ওইখি।

ইন্দিয়ানা এসিয়া কপকী হেক হৌবদগী ঙরাং ফাওবা শান্নরকখিবা মেচতা অমুক্তা ফাওবা মায়থীদনা চঙশিল্লক্লিবনি। লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা এসিয়া কপ অসিগী ফাইনেলদা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু বংলাদেশকা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

বংলাদেশপু এসিয়া কপ অসিগী মখোয়না ফংখিবা মেচ অহুম্মক মায় পাক্তুনা কপ অসিগী ফাইনেল চঙলকখিবনি। ফাইনেল মেচ অসি য়েংনবগীদমক ক্রিকেটপু পামজবা মীয়াম্না মীৎয়েং থম্মখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়ানা কপ অসিগী টাইটল লৌগনি হায়বগী থাজবা থল্লি।

বংলাদেশসু য়ুম্বু ওইবগী খুদোংচাবা লৌরগা এসিয়া কপ অসিগী টাইটল লৌননবা অকনবা মওংদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে। মখোয়না কপ অসি লৌরবদি অহানবা টাইটল লৌবা ওইগদৌরিবনি।

# চাইনাবু ৱর্ল্ড সাইক্লিং চেম্পিয়নশিপকী অহৌবা নুমিত্তা য়াম্না ঙকপা মওংদা দিসক্কালিফাই তৌদুনা শিলভর মেদল পীখি

লন্দন, মার্চ ০৪ ঃ মফম অসিদা পাঙথোক্লিবা ৱর্ল্ড সাইক্লিং চেম্পিয়ন্সিপকী অহৌবা যুমশকৈশা নুমীৎতা চিনাগী নুপী স্প্রিন্ট টিমবু ফাইনেলদা দিসক্কালিফাই তৌদুনা গোল্ড মেদলগী মহুৎ সিলভর মেদল ওইনা পীখিবদা মশান্না অসিবু পামজবা মালেমগী মীয়ামদা অঙকপা অমা ওইহনখিবগা লোয়ননা চিনাগী টিম কোচ ফ্রেঞ্চকী বেনোইট ভেটুনা মহাক্কী অশাউবা ফাথবা ঙমখিদবদগী টেবলদা খুৎতুমনা থিনখিবদা মখুৎ তেকখ্রে।



চাইনাগী জিঞ্জি গোং অমদি চান্সি ঝোংনা টিম স্প্রিন্টকী ট্রেক সাইক্লিংদা মখোয়গী ট্রেকশিং হোংদোক্কখি হায়দুনা দিসক্কালিফাই তৌখি অমদি রসিয়াগী দারিয়া স্মেলেভা অমদি অনষ্টাসিয়া ভোইনোভাবু ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইনা লাউথোক্তুনা গোল্ড মেদল খুৎশিন্নখি।

মমাঙ চহীগী পেরিসতা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপতা চিনাগা গোল্ড মেদল অদুগা রসিয়ানা সিলভর মেদল ফংখিবনি। হন্দক্কী চেম্পিয়ন্সিপ অসিদনা জিঞ্জি গোং অমদি চান্সি ঝোংনা মকোক ফর্ষ্ট তাখ্রবসু মখোয়গী ট্রেকশিং হোংদোক্কখি হায়দুনা দিসক্কালিফাই তৌখিবনি।

সাইক্লিংগী গভর্ণিং বোদিনা নৌনা লৌখিবা ৱারেপকী মায়োক্তা আপিল তৌনবগী খুদোংচাবা লৈতবনা গোল্ড মেদল অদু রসিয়াগী দারিয়া স্মেলেভা অমদি অনাষ্টাসিয়া ভোইনোভানা ৩২.৬৭৯ সেকেন্দ থৌদুনা লৌখি। ইভেন্ট অদুদা ওলেম্পিক চেম্পিয়ন্স জর্মনিনা অহুমশুবা মফম কনখি।

হৌখিবা চহী মরিগী মমাঙদা জিঞ্জিং গোংনা গুত্ত স্বাংগা জুরা শেমদুনা ওলেম্পিক্কী ফাইনেলদা জর্মনিগী খৃষ্টিনা ভোগেল অমদি মিরিয়াম ৱেল্টেবু মায়থিবা পীখ্রবসু মখোয়গী ট্রেক হোংদোক হোংজিন তৌখি হায়না দিসক্কালিফাই তৌদুনা গোল্ড মেদল পীখিদবনি।

নুপাগী টিম স্প্রিন্ট টাইটলনা ন্যুজিলেন্দনা নেদরলেন্দসবু ফাইনেলদা মায়থিবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌখি। মখোয়না ৪৩.২৫৭ সেকেন্দ থৌখিদুনা মায় পাকখি। জর্মনিনা ফ্রাঞ্চপু মায়থিবা পীদুনা অহুমশুবা মফমদা লৈখি।

লাক্লিবা রিও দি জানৈরোগী ওলেম্পিক্সতা ট্রেক সাইক্লিংগী ইভেন্ট অসি ওগষ্ট ১১ দগী হৌগনি। মসিদা ন্যুজিলেন্দনা গোল্ড মেদল লৌগনি হায়না থাজনরিবনি।

# ইন্দিয়ানা মফম অনী হায়গৎলগা ফিফাগী ১৬০ শুবা রেঙ্কিংদা লৈখ্রে, বেলজিয়ম্না মখা তানা মকোক থোংনা লৈরি



মুম্বাই, মার্চ ০৪ ঃ

ফিফানা খ্বাইদগী ইনৌ নৌনা থাদোরকখিবা গ্লোবেল ফুটবোল রেঙ্কিংদা ইন্দিয়ানা মফম অনী কাখৎলগা ১৬০ শুবা রেঙ্কতা লৈখ্রে।

ইন্দিয়ানা হৌজিক পোইন্ট ১৪২ ফংদুনা লৈরি। ইন্দিয়ানা মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফাইয়রদা গুআমবু ১-০ দা মায়থীবা পীখিবা অদুদা মফম তরুক কাখৎলগা ৱর্ল্ডগী ১৬৬ শুবা রেঙ্কতা লৈখিবনি। মদুগী মতুং মমাঙ থাদা পাঙথোকখিবা সাউথ এসিয়ন ফুটবোল ফেদরেসন (সাফ) চেম্পিয়নশিপকী ফাইনেলদা ইন্দিয়ানা অফঘানিষ্টানবু ২-১ দা মায়থীবা পীখিবদগী মফম অহুম কাখৎখ্রগা ১৬৩ শুবা রেঙ্কতা লৈখি।

ইরান (৪৪) না এসিয়ন নেসনশিং মনুংদা খ্বাইদগী রেঙ্ক ৱাংনা লৈবা ওইরি অদুগা সাফ কপকী রন্নর্স অপ অফঘানিষ্টাননা মফম অহুম কাখৎলগা ১৫১ শুবা পোজিশন্দা লৈখি।

অমরোমদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন জর্মনি (পোইন্ট ১৩৫৫) না মরিশুবা মফমদা লৈখি অদুগা বেলজিয়ম (পোইন্ট ১৫০৬) না খ্বাইগী মকোক্তা লেংদনা লৈরি। অনীশুবনা ৱর্ল্ড কপকী রন্নরস অপ তাখিবা অর্জেন্টিনা (পোইন্ট ১৪৫৭) না লৈখিবগা লোয়ননা স্পেন (পোইন্ট ১৩৭৪) না অহুমশুবা মফমদা লৈখি। চিলি (পোইন্ট ১৩০৭) না মঙাশুবা মফমদা লৈখ্রে। পোর্টুগলনা তরেৎশুবা, কলম্বিয়ানা নিপানশুবা, ইংলেন্দনা মাপনশুবা অমদি ওষ্ট্রিয়ানা তরাশুবা মফমদা লৈখি।

B.C.C. Manipur
Under the guidance of BOSEM/COHSEM Estd. 1995
KAKWA ASEM LEIKAI, NEAR OIL PUMP
(The longest Coaching Centre in Manipur and 21 years service)
ADMISSION OPEN
CRASH COURSE FOR NERIST 2016
Class Commencing from 28th March, 2016
Our selected students for last year 2013-14 &15
KHUNDRAKPAM RANJAN SINGH, Khangabok Part-II Maisnam Leikai, Rank-1, Roll No. 10610020
UMAKANTA SAIKHOM, Khangabok Mayai Leikai, Rank-10, Roll No. 107100888
JOGELDRAJIT THONGAM, Pheijaleitong Nameirakpam Leikai, Wait Listed Rank-3, Rank-10, Roll No. 106100144
L. YAIPHABA MEITEI, Soibam Leikai Wangkhei Khunou, Wait Listed, Rank-6, Roll No. 106100288
MAYANGLAMBAM GOBIN SINGH, Awang Khunou Lamkhai, Langjing, Rank-1, Roll No. 106100533
VICTOR MOIRANGTHEM, Khangabok Bazar, Thoubal, Rank-2, Roll No. 103100598
NINGTHOU OINAM, Sagoltongba Mayai Leikai, IW, Rank-2, OBC, Roll No. 106100423
ARNOH PUKHRAMBAM, Kwakeithel Moirangpurel Leikai, IW, Rank-4, Roll No. 106100505
NINGTHOUJAM KABIRAJ SINGH, Khangabok Awang Leikai, Rank -6, Roll No. 105100270
SAIKHOM ROHIT SINGH, Khangabok Awang Leikai, Rank -2, Roll No. 106100009
FOUNDATION COURSE
Class IX, X, XI & XII (Sc)
COHSEM/CBSE (Separate Class)
Class commencing from 4th April, 2016
Last date of form submission 2nd April, 2016
Class Timing: 4:30 pm to 7: 30 pm
Office Hours: 4pm to 8 pm
Please Contact:
B.C.C. Manipur
(Elite Sr. Sec. Building)
Kakwa Asem Leikai, Burma
Hostel & Van Service facilities # 8731833072 / 9615385953
HL-B/2100/05/03-4/04

## এফ সি গোৱা লুপা লাক্ষ ৫০ ফাইন থীহনখ্রে

ন্যু দেল্লি, মার্চ ০৪ ঃ মমাঙ চহীগী দিসেম্বরদা পাঙথোকখিবা অনীশুবা ইন্দিয়ন সুগর লীগ ফুটবোলগী ফাইনেলদা চেন্নায়িন এফ সিগী মখূৎতা ৩-২ দা মায়থীহৌখ্রবা এফ সি গোৱানা প্রাইজ য়েন্থোকপা থৌরমবু বোয়কোট তৌখিবগীদমক লুপা লাক্ষ ৫০ ফাইন থিহন্ননবা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেশন্না ঙসি চেরোল অমা থোক্তুনা খঙহনখ্রে।

# সিন্ধুনা জর্মন ওপনগী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে, কেসয়পনা মশাগী অশোকপা লৈবদগী টুর্নামেন্ট অসিদগী মপান থোকচখ্রে



ন্যু দেল্লি, মার্চ ০৪ ঃ

ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা মুলহৈম এন দর রুহলদা চথরিবা দোল্লর ১২০,০০০ জর্মন ওপন গ্রান্দ প্রী গোল্ডগী ৱিমেন'স সিঙ্গলসতা মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেলগীদমক খুমাং চাউশিনখ্রে।

সিন্ধুনা কানাদাগী মিটচেলে লীবু ২১-৯, ২১-১৭ তা ৱান সাইদেদ ওইনা শান্নখিবা মেচ অদুদা মায়থীবা পীখি। সিন্ধুনা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা মরিশুবা সীদেদ ৱাং সিজিয়নগা মায়োক্ন দুনা লম্বা তৌনরগনি।

অমরোমদা ওপন অসিগী মেন'স সিঙ্গলসতা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী এস সটুলর পারুপালি কেসয়পনা মশাগী অশোকপা লৈবদগী প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতগী রিটয়ার্দ তৌখ্রে। মহাক্না টুর্নামেন্ট অসিদগী অশোকপনা মরম ওইদুনা থোকখিবা অসিনা মহাক্কী ওলেম্পিক ক্বালিফিকেশনগী শাগৎচরিবা মঙলান কায়বা য়ানা লৈখ্রে।

কেসয়পনা মশাগী অশোকপা লৈবদগী মতম কুইনা শান্নদনা লাকখিবগা লোয়ননা রিও ওলেম্পিক্কী ক্বালিফাই ওইনবগী মীৎয়েংদা জর্মন ওপনদা শরুক য়ারকখিবনি। অদুম ওইনমক কম্মন ৱেলথ গেমসকী চেম্পিয়ন অসিনা ঙরাং নুমিদাং সাউথ কোরিয়াগী ৮ শুবা সীদ সোনৱান হোগা শান্নখিবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুদা মখুদা শোকপদগী মেচ অদুগী তঙ্খায় চল্লকপা ১২-২১, ১১-১৬ তা রিটয়ার্দ তৌদুনা কোরিয়াদা মায় পাকহনখি।

কেসয়পকী অশোকপা অদু ফিজিওথেরাপিষ্ট ডা. জোনসন সোলোমোননা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা মহাক্কী অশোকপা অদু চপ চানা সেরিয়স ওইব্রা নৎত্রগা ওইদব্রা হায়বদু হৌজিক্কী ওইনা খঙবা ঙমদ্রি হায়রি।

মহাক হৌজিক মশা ফনা লৈরি অদুবু ঐখোয়না টেষ্ট খরা তৌদুনা য়েংখিবা তারি। টেষ্ট অদুগী রিজল্ট খঙলবা মতুংদা ঐখায়না মতম কয়াম কুইনা লৈরগা মহাক্কী অনাবা অদু ফগৎলক্কদগে হায়বদু খঙবা ঙমগনি হায়না জোনসন্না হায়খি।

চৈরক অসিদা ৱর্ল্ড নম্বর তরাদা লৈরিবা অমদি ওপন অসিগী তরুকশুবা সীদ কিদম্বী শ্রীকান্টসু মেন'স সিঙ্গলস ইভেন্টতগী প্রী ক্বার্টর ফাইনেলদা ১২ শুবা সীদ হোংকোংগী এন জি কা লোং এঙ্গসকী মখূৎতা ২১-১৮, ১৮-২১, ১৮-২১ দা মায়থীখি।

হৌজিক ওপন অসিদা ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা প্লেয়র ওইনা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী অনীরক ব্রোঞ্জ মেদল লৌখ্রবা পি ভি সিন্ধু খক্তা মায় পাক্তুনা লৈহৌরি। মহাক্না কানাদাগী মিটচেলে লীবু মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা ইন্দিয়াগী সটুলরশিংনা মখোয়গী কেম্পেন মায় পাক্না হৌদোকখ্রবসু মথং মথং মায়থীদুনা লৈহৌখিবদা বেদমিন্টন এসোসিএশন ওফ ইন্দিয়া (বি এ আই) না নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে।

ৱর্ল্ডগী নম্বর ৮ ওইরম্বা কেসয়পনা মহাক্কী খোংগী অনাবা লৈখিবা অদুনা রেঙ্ক ১৭ শুবদা হন্থরকখ্রে। মহাক্না জর্মন ওপনদা নীংথিনা শান্নদুনা ওলেম্পিক ক্বালিফাই ওইনবগীদমক অশানবা মিৎয়েং থমদুনা চঙশিল্লকখিবনি। অদুবু অশোকপা অদুনা মরম ওইদুনা ওলেম্পিক্তা শরুক য়ানবা হোৎনরম্বা মহাক্কী মঙলান অদু অরেম্বদা তাবগুম তৌখ্রে।

অমরোমদা, ইন্দিয়ন এস শট্টলরস কিদম্বী শ্রীকান্ট অমদি পারুপাল্লি কেশয়পনা সুলহৈম এন দের রুহরদা চথরিবা য়ু এস দি ১২০,০০০ জর্মন গ্রান্দ প্রী গোল্ডগী মেন'স সিঙ্গলস কম্পিটিশনদা মায় পাকখিদুনা প্রী-ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

হৌখিবা জানুৱারী থাদা লক্ষনৌদা পাঙথোকখিবা সয়ীদ মোদি গ্রান্দ প্রী গোল্ডগী টাইটল লৌখিবা ৱর্ল্ড নম্বর ১০ শ্রীকান্টনা নেদরলেন্দগী ক্বালিফাইয়র ইরিক মৈজসপু ১৫-২১, ২১-১৬, ২১-৬ দা মিনিট ৪৮ চঙনা আর দব্লিয়ু ঈ স্পোর্টসহোলদা শান্নখিবা মেচ অদুদা মায়থীবা পীখি।

অতোপ্পা মেচ অমদা কম্মন ৱেলথ গেমসকী চেম্পিয়ন কেশয়পনা আইরিসকী ক্বালিফায়র জোসুৱা মাগীবু ২১-১২, ২১-১১ দা মায়থীবা পীখি। সীদেদ ১১ শুবদা লৈরিবা ইন্দিয়ন অসিনা মশাগী অশোকপনা মরম ওইদুনা মতম কুইনা শান্নরকখিদ্রবা মতুং গ্রান্দ প্রী অসিদা শরুক য়াদুনা মায় পাক্না চঙশিল্লকখিবনি।